# অচৌবা শা-ষণগী অরূম্বা ওন্নবা কাঙলোন খরা



– ডা. সরাংথেম জেসমারানি –

অপীকপা শা-উচেক খুদিংমক অরুম্বা ওন্নবগীদমক খন শীজিন্নদুনা অরুম্বা ওন্নে অদুবু অচৌবা শা-ষণ ওন্নবগীদমক খন শীজিন্নরগদি অৱাবা কয়া মায়োক্নরি হায়বদি মখোয়বু পুথোক পুশিন তৌবা অমদি অরুম্বা ওন্ননবগীদমক খন শেম শাবা/লোইরিবা শা-ষণগী অরুম্বা খঙদোকপা য়াম্না কান্নে। ষণ, ইরোই, ওক, হামেং অসিনচিংবসি য়োনবা মতমদা লম-শমদা ঙাংনরগা য়োনবনা অয়াম্বনি করিগুম্বা ঐখোয়না চাউরাকপা অরুম্বগী চাংসি খঙদোক্লগদি য়োনগদৌরিবা মপুদা ইমাং মাঙলরোই । অসিদসু নত্তনা করিগুম্বা কান্দা অনা অয়েক থোরক্তুনা হীদাক পীজরমদাই মতমদসু হীদাক অয়াম্বসি মাগী অরুম্বগী মতুং ইন্না পীজৈ। মরম অসিনা ঐখোয়না চাউরাকপা অরুম্বা খঙদোক্লগদি হীদাক পীজবা মতমদা দোজ শুনা পীজহৌদুনা থুনা মশা মউ ফনা লৈহৌবা ঙমগনি।

সাইন্টিষ্টশিংনা শা-ষণগী শবানগী মচাউ-মশাংসি ওল্লগা চাউরাকপা অরুম্বগী চাং পুথোকপা ঙম্মী। ষণ, ইরোইগী অরুম্বগী চাং পুথোকপগী মওং ঃ

**ক. সেফরস ফোর্মুলা :**

$$\text{অরুম্বগী চাং (পাউন্দ)} = \frac{\text{ময়ুং (inches) x পূক্লি inches}^2}{৩০০}$$

ময়ুং ঃ লেংথ হায়নসু খঙনৈ । মসি লেংবানগী মতোন্দগী খোঙনিংগী মথক্কী অতুম্বা শরুক ফাওবা

পূক্লি ঃ গার্থ হায়নসু খঙনৈ। মসি খুনিংগী হেক মনিংদগী মশা কোনবগী শরুক

**খ. বন্দরী অমদি মাগী কাঙবুনা পুথোকপা :**

ইরোই শঙ্গোম শুমদবগী (পাউন্দ)

- ২১২৩.৭৩ + {২৬.৩৫৬ x (গার্থ inches)}

+{২১.৫০ x (লেংথ inches)}

ইরোই গর্ভ লৈবগী অরুম্বগী চাং (পাউন্দ)

- ১৯৩৪.৪৮ + {২০.৫২ x (গার্থ inches)}

+ {২৫.৯০ x (লেংথ inches)}

ইরোই শঙ্গোম শুমদবগী অরুম্বগী চাং (পাউন্দ)

- ২৩৮৭.৬০ + {২৭.১২ x (গার্থ inches)

+{২৪.৫৫ x (লেংথ inches)}

**গ. মুলীক্কী ফোর্মুলা ঃ**

ইরোইগী অরুম্বা (পাউন্দ) - ২৫.১৫৬ x (গার্থ) - ৯৬০.২৩২

গার্থনা inches তা ওনবীগদবা।

**ঘ. ষণগী অরুম্বা** (kg)

= ৩.৩ x (চেজ গার্থ) + (খুনীংগী মমাংগী কোনবা cm)

+ ০.৭ (লেংথ) - ৪৯০

চেজ গার্থ - খুনিংগী মনীংদগী মশা কোনবগী শরুক

মসি cm দা ওনবীগনি।

লেংথসু cm দা ওনবীগনি।

**ঙ. ষণ অমদি ইরোইগী লুম্বগী চাং** (kg)

$$= \frac{\text{লেংথ x (গার্থ)}^2}{১১২০০}$$

লেংথ অমদি গার্থকী ওনবসি cm দা ওনবীগনি।

মথক্তা ফোর্মুলা খরদা পাউন্দদা পীবসি ঐখোয়না kg দা ওন্থোকপীগে হায়রগদি মখাদা থমজরি :

$$১)\ \frac{\text{পাউন্দ}}{২.২} = \text{কিলোগ্রাম}$$

২) কিলোগ্রাম x ২.২ = পাউন্দ

ওককী অরুম্বা কমদৌনা লৌগনি :

অহানবদা ওককী হাট গার্থ মেজরিং টেপ অমনা লৌরনি। মসিগী মতুংদা অমুক ওককী অশাংবা অমুক লৌবীরনি। ওককী অশাংবসি ওককী মনা লোইরকপদগী মমৈগী অহৌবা ফাওবনি হাট গার্থনা খোঙমাঙগী হেক মনীংথংবদগী অকোনবগী শরুক লৌবা।

$$\text{ওককী লুম্বসি পাউন্দদা ওইরগদি :} \frac{\text{(হাট গার্থ)}^2 \text{ x অশাংবা (লেংথ)}}{৪০০}$$

হাট গার্থ অমদি অশাংবগী inches তা ওইগনি।

খুদম ওইনা হায়রবদা

হাট গার্থসি = ৫০ inches, লেংথ - ৮০ inches ওইরগদি ওককী অরুম্বসি

$$= \frac{(৫০\text{x}৫০) \text{ x } ৪০}{৪০০}$$

= ২০০ পাউন্দ

অতোপ্পা অমনা কিলোগ্রামদা ওইগে হায়রগদি হাট গার্থ অমদি লেংথসি মিটরদা ওইগদবনি।

ওককী অরুম্বা (কে জি)

$$= \frac{\text{(হাট গার্থ)}^2 \text{ x লেংথ}}{৬৯.৩}$$

খুদম ওইনা হায়রবদা হাট গার্থসি - ১.২৭ মিটর

লেংথনা - ১.০২ মিটর

লুম্বগী চাং (কে জি) - ১.২৭ x ১.২৭ x ১.০৪ x ৬৯.৩

**হামেংগী অরুম্বা করম্না লৌগনি :**

$$\text{হামেংগী অরুম্বা (পাউন্দ)} = \frac{\text{(হাট গার্থ)}^2 \text{ x লেংথ}}{৩০০}$$

হাট গার্থ অমদি লেংথসি inches তা ওইগনি। পাউন্দদগী কিলোগ্রাম ওন্থোক্কে হায়রগসু মথক্তা পীরিবা ফোর্মুলাদগী ওন্থোকপীবা য়াই। লেংথ ওনবসি ষণ ইরোইগুম্না হামেংদসু চপ মান্নগনি।

অসুম্না নীংথিনা শা-ষণগী অরুম্বা লৌরগদি ঐখোয়না শা-ষণ লোইবদা মায় পাক্না লোইবদা নত্তনা শেন্দোং হেন্না লৈনা লোইবা ঙমগনি। ●

# নুংশিৎতগী নাইট্রোজেন ফাজিন্দুনা পাম্বীশিংদা ফংহনবা ঙম্বা হিংকুপশিং (১)

– ডা. ৱাইখোম জিতেন –

পাম্বীশিংগী য়াম্না মরু ওইবা মচীঙ্গাক ওইরিবা নাইট্রোজেন হায়বা পোৎলম অসি ঐখোয়গী অকোয়বদা লৈরিবা নুংশিৎতা য়াম্না মরাং কায়না য়াওরি। অদুবু লাইবক থীবদি অসিগুম্বা পাম্বীগী মচীঙ্গাক ওইরিবা পোৎলম অসি পাম্বীশিংনা মশা মতোমতনা ফাজিন্দুনা শীজিন্নজবদি ঙমজদে। মরমদি ঐখোয়গী অকোয়বদা ফংলিবা নাইট্রোজেনশিং অসি অয়াম্বনা $N_2$ হায়বদি লিপুন অহুমগী মওংদা লৈবনি। অসিগুম্বা $N_2$ শিং অসিবু থুগায়দুনা অতোপ্পগা লায়না পুনবা ঙম্বা নাইট্রোজেনগী মওংদা ওন্থোকপা ঙম্বা হিংকুপ মখল খরা ঐখোয়গী অকোয়বসিদা লৈ। অসুম্না $N_2$ বু থুগায়দুনা পাম্বীনা লৌশিনবা ঙম্বা মওংগী নাইট্রোজেন ওইনা ওন্থোকপগী থৌওং অসিবু বাইওলোজিকেল নাইট্রোজেন ফিক্সেশন কৌই। অসিগুম্বা নাইট্রোজেন ফাজিনবগী থৌওং অসি বেক্টেরিয়াগী কাঙলূপ অনীনা পাঙথোকই। অহানবগী কাঙলূপ অসিগী মনুং চনবা বেক্টেরিয়াশিং অসিদি মখোয়না মশানা শৈদাংলিবা পাম্বী অমসুং মখোয় মশা অমনা অমদা কান্নবা পী। কাঙলূপ অসিগী মনুং চনবা বেক্টেরিয়াশিংদি রাইজোবিয়ম, সাইনানোবেক্টেরিয়া অমসুং ফ্রানকিয়ানি। অদুগা অনীশুবা কাঙলূপকী বেক্টেরিয়াশিং অসিদি পাম্বীশিংদগী কান্নবা লৌদনা পাম্বীশিংগী মরাগী অকোয়বদা মনীং তম্বা নৎত্রগা পাম্বীগী মরাদা নপ্পুনা হিংই।

হৱাই মখলগী পাম্বীশিংদগী মরা অমসুং মউদা নপ্লিবা মরূম-মরূমশিংদা বেক্টেরিয়া য়াওই অমসুং মখোয়না নুংশিৎতগী নাইট্রোজেন ফাজিন্দুনা পাম্বীশিংদা কান্নবা পী হায়বা ৱাফম অসি কুমজা ১৮৮৮দা Beijerinck না ফোঙদোকখি। মতম অদুদা মহাক্না য়োকখৎলকখিবা বেক্টেরিয়াশিং অদুবু Bacillus radicicola কৌরম্বদগী কোন্না Rhizobium leguminosarum হায়না খঙনখি। হৌজিক্কী ওইনা হৱাইশিংদা nodule হায়রগা খঙনবা মরূম মরূম ময়াম অমা নপ্লিবা অসি বেক্টেরিয়াগী জেনেরা ১৪ হায়বদি Rhizobium, Bradhyrhizobium, Mesorhizobium, Azorhizobium, Ensiter (Sinorhizobium), Methylo bacterium, Deuo sia, Micnovirga, Ochobactrum, Phyllobacterium, Shinella, Burkholderia, Cupriauidus (Ralstonia) অমসুং Pseudomonos য়াওরি।

হৱাই মখল খেন্নবগী মতুংইন্না তোঙান তোঙানবা হৱাই পাম্বীশিংদা নাইট্রোজেন ফাজিনবদা মতেং পাংবা বেক্টেরিয়া মখল খরা মখাদা থমজরি।

| | হৱাই মখল | বেক্টেরিয়া মখল |
|---|---|---|
| ১) | হৱাই থরাক, মুশোরি হৱাইমুবী | Rhizobium leguminosarum |
| ২) | হৱাই মায়রোংবি | Mesorhizobium ciceri |
| ৩) | নুঙহৱাই, লৈবাক হৱাই | Bradyrhizobium Japonicum |
| ৪) | Alfalfa, sweet Clover | Rhizobicum melilots |
| ৫) | হৱাই কালন্দ্রি মখল | Sinorhizobium meliloti |
| ৬) | পোঙহৱাই অমসুং হৱাই অশাংবী | Bradyrhisphbium Sp. |
| ৭) | মরূ অমদি মরাদা Nodule থোকপা চুচু রাংমৈ | Ensiter |
| ৮) | চুচুরাংমৈগী মখল খরা | Azorhizobicum |
| ৯) | চুচুরাংমৈ | Rhizobicum Sp. SIN-1 |
| ১০) | শগোল হৱাই | Rhizobium Sp. WUR-12-1, RVm 307 |
| ১১) | হৱাই মুক | Bradyrhizobium Sp. |

হৱাই মখল খেন্নবগী মতুংইন্না মখোয়দা কান্নবা পীবা বেক্টেরিয়াগী মখলসু খেন্নে। অদুবু ঙসি কৈথেলদা ফংলিবা হৱাই মরূদা তোৎনবা বেক্টেরিয়াশিং অসিদি অয়াম্বনা য়ানশিন্নরগা তোঙান তোঙানবা হৱাইশিংদা শীজিন্নবা য়ানবা মওংদা শেল্লক্লে। বেক্টেরিয়া মখল খরদি হৱাই নত্তবা পাম্বীশিংদা কান্নবা পীবসু য়াওরি। খুদম ওইনা Bradyrhizobicum Sp. Rp 501 অসি Parasponia কৌবা পাম্বীদা কান্নবা পীরি।

এজোল্লা কৌবা ঈশিংদা হৌবা কঙ মখল অমদা Cyanobacteria শিংনা শৈদাংদুনা নুংশিত্তগী নাইট্রোজেন ফাজিল্লি। মরম অদুনা কঙ মখল অসি ফৌ থাবা লৌফমশিংদা হৌহন্দুনা Cyanobacteria শিংগী মতেংনা নুংশিৎতগী নাইট্রোজেন ফাজিলহল্লগা ফৌ পাম্বীশিংদা নাইট্রোজেন ফংহনবদা মতেং পাংই। এজোল্লানা নুংশিৎতগী নাইট্রোজেন ফাজিনবা অসি অতোপ্পা হৱাই মখলশিংনা ফাজিনবদগী হেন্না ফাজিনবা ঙম্বনা মরম ওইদুনা এজোল্লাবু ফৌ থাদ্রিঙৈদা লৌফমদা হৌহল্লগা লৈবাক্তা খোইজিন্দুনা নৎত্রগা ফৌ হৌবা লৌফমদা ফৌগা পূন্না হৌমিন্নহল্লগা ফৌ পাম্বীদা নাইট্রোজেন ফংহন্নবা অমদি লৌফমগী লৈবাক লৈহাও ফগৎহন্নবা শীজিন্নৈ।

Aclinorhizal হায়রগা খঙনবা পাম্বী মখলশিং খুদম ওইনা হৈগ্রু, Populus, Serviceberry Alus, Myrica, Babyberry, Sea buetthorn, Casuarina autumn oliue নচিংবশিং অসিসু হৱাইগী মখল ওইদ্রবসু মখোয়গী মরাদা মরূম মরূম শৌই অদুগা মদুদা Frankia কৌবা বেক্টেরিয়া মখল অমগী মতেংনা নুংশিৎতগী নাইট্রোজেন ফাজিন্দুনা পাম্বীশিংদা পী অমদি মখোয়না পাম্বীশিংদগী কার্বোন অমদি অতোপ্পা পোৎলমশিং পীথোক পীশিন তৌনৈ। অমনা অমদা কান্নবা পীবা ঙম্বা বেক্টেরিয়া অমসুং পাম্বী মখলশিং অসি মশক খঙদোক্তুনা মখোয়বু পূন্না মথৌ তৌমিন্নহল্লবদি ঙসি খূৎশেমগী হারদা মপাল তাংবা লৌউ কাঙলোন অসি থাদোক্তুনা ওর্গানিক ওইবা লৌউ কাঙলোনলোমদা চঙশিল্লকপা ঙমদুনা চীঙ্গাক্তা মীপাল তাংদবা, হূ চেন্দবা অফবা চীঙ্গাক চাবা লমদম অমা ওইবগা লোয়ননা ঐখোয়গী লৌফমশিং মতম শাংনা লৌউবা য়াবা মফম অমা ওইহনবদা অচৌবা মতেং ওইগনি। ●

# নুমিৎলৈ থাবদা ইনবীগদবা কাঙলোন খরা

– লোংজম বোরিস –



Figure 1. COH 3 numit lei variety gi lei(ICAR-IIOR)

নুমিৎলৈ পাম্বী অসি মণিপুরদা মীয়াম্না য়াম্না পাম্না থানবা হৌরকপা মরু ওইবা থাও থোকপা পাম্বী মখল অমনি। পাম্বী অসি কর্ণাটকা, মহারাষ্ট্র, অন্ধ্র প্রদেশনচিংবা ষ্টেটশিংদা মরাং কায়না থাই। নুমিৎলৈ হায়রিবা পাম্বী মখল অসি অপুনবা হেক্টর লাখ ৭.২০গী চাংদা থাই অমদি পরিদা কেজি ৮০৫গী চাংদা লোকপা ঙম্মী।

শেন্দোং লৈনা নুমিৎলৈ থাবা মতমদা ময়াম্না নীংশিংবীগদবা ৱাফম খরা মখাদা পীজরি।

• নুমিৎলৈ থাদ্রিঙৈ মতমদা চহী ২-৩ ফাওবা হৱাইগী ধারা ওইবা পাম্বী থাবীবা কান্নগনি। মফম অমা খক্তদা হঞ্জিন-হঞ্জিন নুমিৎলৈ থাবনা লায়না তীলনা থোকহনবা খক নত্তনা চাথোক হন্থহন্নবা মরম অমসু চাউনা ওই। খ্বাইদগী হেন্না ফবদি ঈশিং কা হেন্না তুংদবা, কুৎতবা মফমদনা হেন্না নুমিৎলৈ থাবদা চান্নবা ওই। লৈহাও কয়া লৈতবা অমদি ঈশিং তুংগনবা মফমদা নুমিৎলৈ থাবা কয়া চান্নদে। ফোলিগী শরুক হেন্না য়াওবা লৈবাক লৈহাওদনা নুমিৎলৈ হৌবা ঙম্মী। অনীরক খোইরবা মতুং লৈবাক চাং মান্ননা শেল্লবা মতুংদা থাবীবনা হেন্না খ্বাইদগী চান্নবা ওই।

• নুমিৎলৈ পাম্বীনা চহী চূপ্পা থাবা য়ারবসু নোং কা হেন্না চুবা, লৈচিন কা হেন্না থাবা অমদি 38°C দগী হেন্না শাবা মফমদা থাবীরোইদবনি। খরিফ মতমদা থাবা ওইরবদি জুন তঙ্খাইদগীনা জুলাই থাখাই ফাওবগী মনুংদা থাবীহৌগদবনি। থেংলবদা ওগষ্টকী অনীশুবা চয়োল ফাওবগী মনুংদা থাবীবনা খ্বাইদগী হেন্না ফৈ। রবিগী মতমদা থাবা ওইরগদি সেপ্টেম্বর থাদগীনা নবেম্বর থা ফাওবগী মনুংদা থাবীগদবনি। জন্যুৱারী থাদগীনা ফেব্রুৱারী থা লোইরকপা ফাওবগী মনুংদা থাবীরমসু থোইনা কায়বা লৈতে।

• পরি অমদা মরূ কেজি ৫-৬কী চাংদা হুনবা য়াই (rainfed) অদুগা ঈথৈ লৌখোং নীংথিনা লৈবা মফমদনা কেজি ৪-৫গী চাংদা হুনবীবা য়াই। কাঞ্জুলদা 60 cm x 30 cm গী চাংদা লাপ্পনা থাবীদুনা চুরি নাইনা থাবীবনা খ্বাইদগী হেন্না চান্নবা ওই। ফোলিগী শরুক চাং ৱাংনা য়াওবা মফমদা নুমিৎ ৮-১০নি খুদিংগী ঈশিং পীবা দরকার ওই। পাম্বীনা হুনখিবদগী নুমিৎ ৩৫-৪০, ৬০নি শুরকপা অমদি নুমিৎ ৮০নি শুরকপা মতমদা ঈশিং নীংথিনা পীবা দরকার ওই। হায়রিবা মতম অসিদা ঈশিং নীংথিনা পীহৌদ্রবদি পাম্বী অদু চাউজন থীদুনা চাথোক চাউনা হন্থহল্লি।



Figure2. Alternaria leaf spot (TNAU)




Figure3. Capitulum borer (TNAU)

• নুমিৎলৈনা মশা-মউ ফনা হৌনবগীদমক এন পি কে নিংথিনা হাপ্পীবা তঙাইফদে। মরূ হুন্দ্রিঙৈ হাপ্তা ২-৩গী মমাঙদা ফার্ম য়ার্দ মেন্যুওর টন ৭ হাপ্পগনি অমদি N:P:K=60:60:30 গী চাংদা হাপ্পীবা য়াই। নাইট্রোজেন য়াওবা হারগী চাংনা চাদা ৫০, ফোসফরস অমদি পোটাশকী অপূনবা শরুক অহানবা ওইনা হাপ্পীগদবনি। লেমহৌরিবা নাইট্রোজেনগী শরুক অদু অনী থোক্না হুল্লবা মতুং নুমিৎ ৩০ অমদি ৫৫নি শুরকপা মতমদা হাপ্পীগনি। য়ারিবমখৈ এস এস পিবু ফোসফরস (পি) গী সোর্স অমা ওইনা শীজিন্নবা সলফর পাম্বীদা ফংহল্লি। নুমিৎলৈনা মরূ নীংথিনা চঙবদা বোরোন দরকার ওইবা মরম্না borax 2g/L গী চাংদা নুমিৎলৈনা লৈ শাৎলকপা মতমদা কাপথোকপীবা কান্নগনি।

• মরূ হুনখ্রবা মতুং হাপ্তা ৪-৬ লক শুরকপা মতম অসি নাপী কা হেন্না হৌদুনা পাম্বীদা অয়েৎপা পীবা মতমনি। মরম অসিনা হেক হুনবগা নুমিৎ ১৫নি খুদিংগী নাপী পেংথোকপা তঙাইফদে। নাপী হীদাক Fluchloralin/Pendemethalin/Alachlor- মখোয়গী মরক্তগী অমা হেক্তা খনবীরগা 3-5ml/L গী চাংদা মরূ হেক হুনখিবগা কাপথোকপীরবদি নাপী লৈহন্দবদা চাউনা মতেং পাংগনি।

নুমিৎলৈদা তাগনবা লায়নাশিংগী মনুংদা Alternaria leaf spot, Necrosis, Downey mildew অমদি powdery mildew মরু ওই। ঙাকথোক্নবা মরূ হুন্দ্রিঙৈদা carbendazim (12%)+Mancozeb (63%) করূ কেজি অমদা গাম ৩ শীজিন্নদুনা তোৎলগা হুনবীরবদি লায়না তাহন্দবদা চাউনা মতেং পাংগনি। কা হেন্না শাথীনা Alternaria leaf spot তারকপা মতমদা propiconazole @1ml/L গী চাংদা হুনখ্রবা মতুং নুমিৎ ৪৫ অমদি ৬০নি শুরকপা মতমদা কাপথোকপীবনা Alternaria leaf spot লাকশিনবা ঙম্মী।

Powdery mildew লাককশিন্নবগীদমক propiconazole/difenoconazole @1 ml/L গী চাংদা নুমিৎ ৪৫ অমদি ৬৫নি হুল্লবা মতুংদা কাপথোকপীবা য়াই। Calixin 1ml/L নৎত্রগা wettable sulphur @3g/L গী চাংদা কাপথোকপনা powdery mildew না থোকহনবা অমাঙবদগী চাউনা হন্থহনবা ঙম্মী। নুমিৎলৈদা তাগনবা মরু ওইবা তীলশিংগী মনুংদা leaf hoppers, thrips, whiteflies, leaf eating caterpillars (tobacco cateripillars, Bihar hairy caterpillars, green semiloopers) অমদি capitulum borer নি। মথক্তা পনখ্রিবা তীলশিংনা চাদা ৫০ য়ৌনা অমাঙ অতা থোকহন্দুনা চাথোক হন্থহল্লি।

লাকশিন্নবা পান্থে খরা :

• হুন্দ্রিঙৈদা মরূশিং Imidacloprid 70WS @5g/kg গী চাংদা তোৎতুনা হুনবনা মহী চূপ্পা তীলশিং (Sucking pests) দগী লাকশিনবা ঙম্মী।

• মনা চাবা তীলশিং (Bihar hairu caterpillar/ green semiloopers) লাকশিনবদা খূৎনা তীলশিং ফাদোক্তুনা ঙন্না তীলশিং লৌথোক্তুনা অমাঙ অতা থোকহন্দবা য়াই।

• মনা চাবা তীলশিং লাকশিন্নবা NSKE 50g/L শীজিন্নবা য়াই। কা হেন্না শাথীনা তারকপা মতমদা profenofos @1ml/L শীজিন্নবসু কান্নগনি।

• নুমিৎলৈদা মহৈ পাল্লমদাইদাইদা তাগনবা তীল capitulum head borer লাকশিন্নবা HaNPV (250LE/ha) শীজিন্নবা কান্নগনি। অমরোমদা Profenofos @1ml//L সু রসায়ন ওইবা পান্থে অমা ওইনা পায়খৎপীবা য়াই।

নুমিৎলৈনা মপূং ফারক্তুনা লোকপা য়ারকপা মতমদা উচেকশিংনা চাউনা অমাঙবা পীবা মরম্না মফম অমদা পূন্না চাউনা নুমিৎলৈ থাবনা হেন্না ফৈ। উচেক্না অযূক অমদি নুমিদাংগী মতমদা হেন্না মরূ চাথোকপা মরম্না মতম অসিদা লৌ-ঙাক মী (scarecrow) নৎত্রগা অরংবা চেরং (reflective films) থমদুনা উচেকশিং তানবা য়াই। নুমিৎলৈনা নাপু মচু চঙলকপা অমদি মখা থংবা মনাগী শরুক্না কংশিল্লকপা মতমদা হেকপা য়ারে। হেক্লবা মতুংদা নুমিৎ ২-৩নি কংহন্দুনা ঈশিংগী ঈনিল হন্থহল্লবা মতুংদা thresher নৎত্রগা খূৎনা য়ৈদুনা লোকপা য়ারে।

নুমিৎলৈ থারিবা লৌফমদা খোই উপু ৫গী চাংদা থম্বীবনা চাথোক হেনগৎহনবদা চাউনা মতেং পাংই। ●

**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্বীজ -১৩২গী ৱাহং**

১) "অহেনবা ঈ" হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবগে?

২) "হন্দোকপা হায়বসি লুখ্রবা কলা অমনি। ফজরবসু শীংথানবীদবা, থীরগনা মীচৈ তাবা থবক অমনি।"

ৱাহৈ পরেং অসি অতোপ্পা লোলদগী মণিপুরীদা হন্দোক্লবা লাইরিক অমগী ৱামাঙ য়ানবদা ত্রান্সলেটরনা ফোঙদোকপনি। ত্রান্সলেটর অসি কনানো? মণিপুরীদা হন্দোক্লবা লাইরিক্কী মমিং করি কৌবগে?

৩) "নীংশিংবগী মমি" হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসিগী অইবগী মমিং ইয়ু।

৪) "লেপ্পলম্মী নিংথম উলেন খাঙনা
উনাশিং অমত্তা পান্দ্রবা মরূ কোল্লবা উপালশিং
শ্বরদি হোল্লি অশিবগুম তুমিন্না লেপ্পবসু
চিল্লোক্নরি পোম্বী চেক্লাশিংগা তুমিন তুমিন...।"

শৈরেং মতেক অসি 'য়েন্নীংথা' হায়বা শৈরেং অদুগী অহৌবা পরেংনি। শৈরেং অসি য়াওরিবা লাইরিক্কী মমিং অমসুং অইবা কনানো?

৫) "লৈক্রক" হায়বা লাইরিক অসি অইবা কনাগী লাইরিক্নো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ফেব্রুৱারী ২৮, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।